
# লমদম অসিগী নিংগোল ওইবীশিংগী ময়েক শেংবা তুংলমচৎ অমগীদমক মঙ মঙলিবী শক্লাইরবী কলাকার-জি গুনবাটি





মশানা পামজবা এক্ট তৌজবা কেরেক্টর অদুমক অয়েংবশিংনসু কলাকার অদুমক্তগী আশা তৌবা কেরেক্টর রোল ওইবা ত্রেজেদি ওইবা কেরেক্টর অমা ষ্টোরিদা য়াওরকপা মতমদা হেক্তমক নিংশিংনবা কলাকার অমা ওইনা থিয়েটর অমদি ফিল্ম অনিমক্তা মতম শাংনা মীয়ামগী শেবা তৌরক্লবী শকলোন য়াম্বী শক্লাইরবী কলাকার লাইময়ুম গুনবাটি দেবী ইং শোক ১৯৫৩ গী ফেব্রুৱারি ২৩ দা লাইময়ুম দাওজি শর্ম্মা অমদি এল(ও) ইবেতোন দেবী অনিগী নাইতোম শাংপী মমোম ওইনা তাইবংদা খোঙদারকখি।

য়াম্না ঙনলিঙৈ মতমদগী কলাকার অমা ওইবগী চপ চাবা গুণ লোয়নদুনা হৌরক্লবী শকনাইরবী অসিনা এক্টিংগী লমদা খোঙদারকখিবা অসি মতমদুদা লৈকায় লৈকায়দা সরস্বটি পুজ ানচিংবদা লিলানচিংবা তৌনবগী চৎনবী লৈরম্মী। মতমদুদা য়াম্না পোপুলর ওইখিবা শুমাং লিলা 'বিএ থিবা' হায়বা অদুদা ঐগ্যা তুলেশ্বর শাবা হায়রগা খঙনখিবা মাইবম লৈকায়দা লৈবা রামেশ্বর শর্ম্মাগী লমজিং লমতাক মখাদা লম অসিদা খোঙদাবা হৌরকখি। মৈতৈ আর্ষ্টিষ্ট য়ুনিয়ন, মোংশাঙ্গৈদা য়াওদুনা মদুগী মতুংদা অথোকপম তোমচৌ, লাইশ্রম উদোই, ঐচ কনহায়লাল নচিংবা ওঝা, গুরু কয়াগী মখাদা মায় পাক্লা লম অসিদা খোঙদরকখি।

সোসিয়েল, হিষ্টোরিকেল, ফোল্ক অমদি এক্সপরিমেন্টেল প্লে কয়াদা মায় পাক্লা শক্তম লাংখিবগা লোয়ননা এৱার্দ কয়াসু ফংখ্রবী শক্লাইরবী অসিনা চাওরাক্লা প্লে ৫০ গী মথক্তা মরুওইবা শক্তম লাংখ্রে।

শক্লাইরবী অসিগী হৌজিক ফাওবদা য়েংখিবা, উহৌবা কনানা কাওঙমদনা শোন্নদুনা লৈরিবা প্লে খরদং পনবা তারগদিঃ (১) প্রোমোসন– ১৯৭৩ দা শান্নখিবা।

(২) ১৯৭৮ দা শান্নখিবা– 'হিংবগী মমল'।

(৩) ১৯৭৮ গী 'জলিমে

(৪) ১৯৭৭ কী 'অরোয়বা পাওদম

(৫) ১৯৭৫ দা শান্নখিবা 'তরেং লৈবী'

(৬) ১৯৭৫ গী 'শম্বল'

(৭) ১৯৭৮– 'অমংবা নোং'

নচিংবা শিংথনবা য়ারবা মতমদুদা মীয়াম্না য়াম্নমক পাম্নখিবা প্লেশিং ওইরি।

শকলোন য়াম্বী শক্লাইরবী অসিনা থিয়েটর, ফিল্ম , ওল ইন্দিয়া রেদিওগী বি হায় লিলারোই অমা ওইবতা নত্তনা য়াম্না নৌরিঙৈ মতমদগী সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট অমা ওইনা কোলেজ তম্লিঙৈ মতমদগী জেনরেল সেক্রেটরী ওইনা মতমদুগী ছাত্র–ছাত্রিশিংগী ঈহৌ কয়াদসু মশক থোকপা থৌদাং কয়া লৌরকখি। মতমদুগী মীয়াম্না পাম্নরবী কলাকার অসিনা ষ্টেজ দা থোক্তুনা এক্ট তৌবদা নত্তনা মতমদুগী শোখনা লৈবা লমদম অসিগী নুপীশিংগী থাক অসিগী মতাংদা করিগুম্বা খরাদি তৌগে খঞ্জখি।

অদুবু তুংদা কোঞ্জেং লৈকায়দা লৈবা গুরুময়ুম সরত শর্ম্মগা লোয়ননা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদাদুনা মচা নুপী ৫ নুপা ১গী মমা ওইদুনা তঙাই ফদবা নুপী ওইবিগী থৌদাং কয়া অমনা পুন্দুনসু পামজখিবা কলাবুদি কৈদৌঙৈদসু লাপ্পা থমখিদে।

শক্লাইরবী অসিগী শিংথানবা য়ারবা ফিল্ম খরদি ঃ– মায়োফিগী মচা (সেল্লুলোইদ) ১৯৯৫ না বেষ্ট মণিপুরী ফ্যুচর ফিল্ম লোয়ননা নেসনেল এৱার্দ ফংখি।

"খোম্বাং" সেলেক্টেদ ফোর ইন্দিয়ান পানোরামা এন্দ সেলেক্টেদ ইন ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়া – ১৯৯২ লোয়ননা, শকনাইরবী অসিনা ইং শোক ১৯৭৮ দা মৈতৈ আর্ষ্টিষ্ট য়ুনিয়নগী লিলা "জালিমি" বিমোলা গী কেরেক্টরদা "বেষ্ট এক্ট্রেস এৱার্দ ফংখি। ১৯৭৭ দা "অরোইবা পাওদম" –জমুনাগী কেরেক্টর রোলদা বেষ্ট এক্ট্রেস, ১৯৭৫ দা তরেং লৈবীনচিংবা লিলা কয়াদা বেষ্ট এক্ট্রেস নচিংবা এৱার্দ কয়া ফংবা ঙমখ্রে।

থিয়েটর, রেদিও ড্রামা, টিভি সেরিএল, মণিপুর ফ্যুচর ফিল্ম সেল্লুলোইদ অমদি দিজিটেল দা মায় পাক্লা শক্তম লাংলকলিবী শক্লাইরবী অসিগী চিনলবা সেদ্যুল লোয়ননা ইমুং–মনুং, মচা–মশুগী মথৌদাংগা লোয়ননা মীয়ামগী মরুপ ওইবা, মীগী মতেং পাংগনবা মতৌনা ইং শোক ১৯৯৫ রগুইটিদা খোঙদাবা হৌদুনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটি কাউন্সিল্লর ইলেক্সনদা নুপী কেন্দিদেট ওইনা চোংথোক্তুনা মায় পাকখি। লোয়না–লোয়ননা আইএমসি গী ভাইস চিয়রপর্সন ফাওবা ওইখি। ফনমক ওইদুনসু কলাকার অসিগী কলাগী খোঙচৎতি থাদোকপা লৈখিদে।

মতম অমগী শেল য়াম্না চংনা নম্নরম্বা সেল্লুলোইদ ফিল্ম নম্বা হন্থদুনা হৌজিক হৌজিক নম্লিবা মণিপুরী দিজিটেল ফিল্ম অসিদসু হায়রকপা ফিল্ম শিংদগী অখন্নবা খরা য়েংদুনা অদুমক পামজবা কলাগী লম অসিদা খোঙদারি। হৌজিক ফাওবদা কলাকার অসিনা চাওরক্লা ফিল্ম ৬০গী মথক্তা শক্তম লাংখ্রে। ইমাগী লমন শিংঙমদ্রে, মৈশা, মল্লা মল্লা লৈনুংশিনচিংবা ফিল্মশিং শিংথানবা য়াই। হৌজিক হৌজিকমকসু কলা অমদি সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট অমা ওইরীবী জি গুনবাটি দেবী নি।

মশাগী চহি ৬৬ শুরবী শক্লোন য়াম্বী শক্লাইরবী অসিনা হৌজিকসু লমদম অসিগী নুপী ওইবীশিংগী মমি শেংবা তুংলমচৎ অমগীদমক মঙলান অমা মঙজরিবা মঙলান অদু মঙফাওনবা ঙম্বা ওইরসনু , লোয়ননা মতম শাংনা মীয়ামগী শেবা তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু হায়না সনালৈবাক্কী মাইকৈদগী থমজরি।

ঐচ রাজেসে

## মহৈরোইশিংগী খুদোল



*TITLE,: :SCENERY*
**Memsana Khundrakpam**
Class: V,
Sec : A,
Roll No-20
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM







*TITLE,:SCENERY*N-
**ganthoiba Ayekpam**
Class: V,
Sec : A,
Roll No-22
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM






*TITLE,: BEN-TEN*
**Antrics Thokchom**
Class: IV,
Sec : B,
Roll No-36
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM



*TITLE, : DUCK*
**Angelina Khangembam**
Class: IV,
Sec : B,
Roll No-1
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE,:CHRISTMAS SANTA*
**Phairenbam Italy Devi**
Class: IV,
Sec : B,
Roll No-26
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM







*TITLE,: FLOWER*
**Preety Kumari**
Class: V,
Sec : A,
Roll No-26
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM






*TITLE,: SAVE WATER*
**Bosnia Elangbam**
Class: IV,
Sec : B,
Roll No-6
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM






*TITLE,: HILLS*
**Dhanarj Laishram**
Class: V,
Sec : A,
Roll No-9
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM






*TITLE,: NARUTO*
**Rynus Thokchom**
Class: IV,
Sec : B,
Roll No-28
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE,:PARROT*
**Shinee Salam**
Class: IV,
Sec : B,
Roll No-37
School: UNACCO SCHOOL MEITRAM





*TITLE,:ARMY*
**Tomthin K**
Class: VII,
Sec : C,
Roll No-14
School: UNACCO SCHOOL KHONGMAN





*TITLE :SCENERY*
**Hijam lanchenbi**
Class: I,
Roll No-17
School:
DON BOSCO SCHOOL



APOLLO TUTORIAL CENTRE
Moulding Medical and Engineering Career
Admission Open For

2nd Foundation Course
XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM)
English Tution-Sunday & Holiday (Morning)
Class Commence : 15th July, 2019

Apollo - NEET (UG)
Regular Medical Entrance Course 2019-20
Intake capacity : Only 25 students per class
Special feature :
Extensive and intensive teaching - learning system
Class Commence : 18th July 2019

Physics Faculty
Madam Tamphasana
Former Lect.: HRD Academy
St. Joseph's School
Maria Montessori Sr. Sec. School

Chemistry Faculties
1. Miss Nuia
Lect........Sch
2. Miss Saroja
Lect. MEM Hr. Sec. Sch.

Biology Faculties
1. Miss Lunfasana
Former Lect. HRDA
2. Sir Romharsha
Lect. KP College

Maths Faculties
1. Sir. L. Basanta
Former Lect. HRDA
2. Sir Ingobi
Lect. ADVANCE Sch.

English Faculty
Sir. Susil Singh
Former Lect.
Little Master Sch
KP College & DAV

Facilities : Free Text Books Sets, Study Materials, Weekly Unit Test.Van Services Hostel (Boys & Girls) Office timing: 7 am - 7 pm
Pliz contact: Apollo Office, Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal-795001

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*